# তলব খক্তগী খল্লগা থবক তৌগদবা ওইরদি অতোপ্পা শেল চাউনা ফঙগদবা থবক তৌবনা ফৈঃ জয়েন্তকুমার

ইম্ফাল, জনুৱারী ১৬ (এস এন এস)ঃ অনা–লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবা খুদিংমক কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা চঙই। ডোক্টর,নর্স ওইরিবশিংনা তলব খক্তগী খল্লগা থবক তৌগদবা ওইরবদি শিনফম অসিদগী হেন্না চাওনা শেল ফঙগদবা অতোপ্পা থবক অমা তৌরুবনা ফৈ হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি মণিপুর অমসুং দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সার্ভিস মণিপুরনা শীন্দুনা অৱাং সেকমাইদা লৈবা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরগী নৌনা শাবা বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়,মীওইবা খুন্নাইসিনা হেক হিংলিবমখৈ হেল্থ কেয়র অসি লৈতবা য়াদে। ঐখোয়না শেন্নদবা,চেকশিন্দবদগী অমদি হেল্থ কেয়র সিষ্টেম নীংথিনা লৈতবদগী শেন্বীবা মপুনা মীওইবনা হিংবগী পীরক্লিবা মতমদু য়ৌদনা শিখিবা অমদি খাঙুথক্তা মীমান্নদনা হিংবা ময়াম য়াওরি। অদুনা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর খক নত্তনা মালেমগী ওইনা মীওইবা খুন্নাইদা হেল্থ কেয়র অসি খ্বাইদগী মরুওই।

মহাক্না মখা তানা হায়, অনা–লায়েংগা মরী লৈননা থবক তৌরিবা অশা,ৱার্কর,ডোক্টর,নর্স অমদি ষ্টাফশিংনা ইঠিক্স ঙাক্না থবক তৌবা মথৌ তাই। মীওইবনা নারকপা হায়বসি অহিং–নুংথিল নাইবা নত্তে। তঙাইফদবা ফিভম লাক্লবদি অহিং ওইরবসু অনাবা থেংনগদবনি। ৱাই হায়দুনা তুমদুনা লৈথোকপা য়াবা নত্তে। অদুনা শিনফম অসিদা লৈরিবশিংনা তুম্বা–চাবা খঙদনা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌগদবনি। চুম্নখক্কী তলবকী খল্লগা থবক তৌগদবা ওইরবদি শিনফম অসিদগী হেন্না চাওনা শেল ফঙগদবা অতোপ্পা থবক অমা তৌবনা ফৈ।

নর্সশিংনসু নর্স তম্বা লোইরকপদা ইন্সটিট্যুসনগী প্রিন্সিপাল অমদি ঈশ্বরনি খল্লিবা ফ্লোরেন্স নাইটিঙ্গলগী মীতম মমাঙদা মৈ শোক্তুনা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌগনি হায়না ৱাশকখিবদু কাউরোইদবনি।

হোস্পিটাল অমা লৈবদা তঙাইফদনা লৈতবা য়াদবা মচাকশিং ও পি দি বিল্ডিং,ষ্টাফ ক্বার্টর,অল্ট্রসাউন্দ মেছিন,মেডিকেল ওফিসার,ওপরেসন ঠিএটর অমসুং ঈশিংগী খুদোংচাদবসু কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অসিদা হাপচিন্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা ঙসি শঙ্গারিবা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অসি অকোয়বগী মীয়াম্না ইশা–ইশাগীনি খল্লগা লূনা–নান্না থমসি অমসুং হেল্থ সেন্টর অসিসু মপুং ফানা মথৌ তৌহনবদা মীয়াম্না মতেং পাঙবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা সেকমাই এ সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা অৱাং সেকমাইগী কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অসিদা তোঙান–তোঙানবা অথাপ্পা মফমশিংদগী অনা–লায়েংগী খুদোং চাবা লৌরিবনি। হেল্থ সেন্টর অসিবু হেন্না অফবা অমা ওইনবা ঙসি অনৌবা বিল্ডিং অমা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শীন্নবা অসিদা থাগৎপা ফোঙদোকখ। হেল্থ সেন্টর অসিদা অহেনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট হাপকদবা ৱাৎলি। মসিবু হেন্না চাউখৎনবা অমসুং মতমগা চুনবা হেল্থ সেন্টর অমা ওইহনবদা মিনিষ্টরগা তান্নদুনা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা হোৎনগনি হায়খি।

কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ডা. পি শ্যামসুন্দর, এদিস্নেল দাইরেক্টর, হেল্থ অমসুং ডা. এস মনিকুমার, ষ্টেট মিসন দাইরেক্টর মণিপুরনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

## রামতূন বিবিগী ইমুংদা মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ১৬ (এস এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ক্বাক্তা চরাংপাৎ উম্বু লৈকাই ৱার্ড নম্বর–৯দা লৈবা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা হৌগৎ–কাংখৎপা ঙমদ্রবা রামতূন বিবি (৬০) অমসুং মমিৎ অনীমক উদবত্তা নত্তনা ৱা ঙাংবগী পাঙ্গল লৈত্রবা মহাক্কী মচানুপা ইবোচৌবা মখোয় অনীখক্তম লৈবা ইমুংদা ঙসি সোসিয়েল ৱার্কর থোঙাম শান্তিনা লূচিংদুনা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টকী মেম্বরশিংনা মতেং পাঙখ্রে। ইমুং অসিদা ঙসি সোসিয়েল ৱার্কর থোঙাম শান্তিনা লূচিংদুনা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টকী মেম্বরশিংনা পাঙখিবা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদুদি চেঙ বেগ ২,ব্লাঙ্কেৎ ১, চাননবা থাউ–থুম হৱাইনচিংবনি।

তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা থোঙাম শান্তিনা পাউমীশিংদা হায়,মোইরাং কেন্দ্রদা লাইরবা কোকহন্নবগী পান্দমদা লিশাং–শিংনা চত্থরকপা মতেং পাংবগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মতেং অসি পাঙবনি। মমাঙদসু ডোক্টর পুরক্তুনা লায়েংবা য়াওনা অহুম্নক মতেং পাঙখ্রে। ঙসিসু মহাক মশামক অমসুং এম কে পি এফকী থৌমীশিংগা লোয়ননা তেংবাঙ পোৎলমশিং অসি পাঙজবনি হায়খি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী ফজরবা ৱাখল্লোন ঐগী–মীগী নাইদনা অৱা–অনা তারবশিংদা তেংবাঙ হায়বা ৱাখল্লোন অদু মোইরাং কেন্দ্রগী কনা লৈজদ্রবা মীওইশিংদসু য়ৌহন্নীং ই অমসুং লৈঙাক্কী মতেং পাঙহন্নীংই। লোয়ননা মখা তানসু কেন্দ্র অসিগী কনা লৈজদ্রবশিংদা মহাক মশামক অমসুং এম কে পি এফকী থৌমীশিংনা লেপ্তুনা পাঙখিগনি হায়খি।

## ৱাবগাইদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা সিটিজনসিপ(এমেন্দমেন্ট)বিল ২০১৬বু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট মনুংচননা লৈবা ৱাভগাই লমখায় কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

দেমোক্রেটিক পিপল ফ্রন্ট মণিপুর (দি পি এফ এম) অমসুং চীংতম ৱুমেন দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন মণিপুরনা শিন্দুনা চত্থখিবা ৱাকৎ মীফমদুদা শরুক য়াখিবা দি পি এফ এমগী জেনরেল সেক্রেটরি রোজেন থোঙামনা হায়, সিটিজনসিপ (এমেনদমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনদি য়াম্না তমথিবা বিল অমনি। মসিনা পিকপা ফুরুপশিংবু মুথৎনবা অমসুং নৈহৎনবা হোৎনরক্কনি।

ত্রিপুরাদা মাইগ্রেন্ট কয়া মশিং থিঙমদনা চংলকপদগী ত্রিপুরাগী য়েলহৌমীশিং মাংখিবগী ফিভমদা লৈরবনি। বিল অসিনা পকিষ্টান, বঙ্গলাদেস অমদি অফগানিষ্টানদগী লাকপা মাইগ্রেন্টশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইবগী হক ফংগদৌরিবনি। মশিং য়াম্লগা মাইগ্রেন্টশিং অসিনা অৱাং নোংপোক লমদম অসিদা চংশিল্লক্লবদি মফমসিদা লৈরিবা অপিকপা য়েলহৌ ফুরুপশিং মুৎ–খবা য়াবগী অকিবা লৈ।

সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি অথুবা মতমদা হন্দাক্ত্রি ফাওবা তোঙান তোঙানবা সি এস ওশিং অমসুং মহৈরোই লূপনচিংবগা খুৎশম্নরগা খোংজঙ চংশিল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

## ম্যুজিক কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা মণিপুরগী ম্যুজিক ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা রিদমস ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী ২০ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা ফেষ্টিবেল কম ইন্সট্রুমেন্টেল ম্যুজিক কম্পিটিসন অমা মণিপুরী জগোয় মরূপ ইম্ফালগী গোল্ডন জুবিলি ষ্টেজদা পাঙথোক্লগনি হায়না রিদমস ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরী রাজকুমার সনাতোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কম্পিটিসন অসি ভাইওলিন, ফ্লুট, তল্লা, পেনানচিংবা তোঙানা তোঙানবা ম্যুজিক ইন্সট্রুমেন্টশিং দা পরক্যুসন অমসুং নন পরক্যুসন ইন্সট্রুমেন্ট হায়না কেটেগোরি ২ দা পাঙথোক্কনি।

কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তারবশিংদা মথংশিৎনা লুপা ১০,০০০, ৮,০০০ অমসুং ৬,০০০কী মনা পীগনি। ফেষ্টিবেল কম কম্পিটিসন অসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদগী হৌগনি হায়রি।

## মপান্দা থাদোক্লবা য়ু শুংনবা বিলগী মতাংদা মীয়ামগী মত কৌরি

ইম্ফাল, জনুৱারী ১৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী রিভিন্যু হেনগৎহন্নবা অমদি লমদম অসিগী মীওইশিংগী হৈ–শিংবা য়োকখৎনবগী পান্দমদা মণিপুরগী মপান্দা থাদোক্লবগীদমক লমদম অসিদা য়ু শুংবা য়াহন্নবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা পুথোকখিবা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট)বিল ২০১৮গী মত্তাং দা মীয়ামদগী মত মণিপুর লেজিলেটিভ এসেমব্লিগী জোইন্ট সেক্রেটরী (লিগেল)না কৌরি।

বিল অসি জুলাই ২৩,২০১৮দা শেমখিবা ডিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার সিংহনা চিয়ারমেন ওইবা সেলেক্ট কম্মিটি অমদা য়েংশিন্নবা শীন্নখিবনি।

বিল অসিগী মত্তাংদা মশাগী মত পীবিনিংবা মীওইশিংনা জনুৱারী ৩১,২০১৯ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলগী কোপী অনী (ইংলিস নৎত্রগা মণিপুরী) জোইন্ট সেক্রেটরী (লিগেল)রোহিৎ সাপমদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

## মণিপুরনা থবক পীবা ঙমদবা...

*লমায় ১গী মখা*ওফিসারশিংগী থবক খূৎশু, ৱাখল্লোন অমসুং দেল্লিদা চৎতুনা ষ্টেট অসিগী ফণ্ডফম থোকপশিং ফঙননবা হোৎনবা ৱাৎপদগীনি হায়না লৌনরি। মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা থৱায় ফনা য়াওরগসু ওফিসিয়েলশিংনা নীংথিনা কোওর্পোরেসন পীদবদগী তঙাই ফদনা জোব কার্ড পায়বা শিন্মীশিংদা চহী অমগী মনুংদা নুমিৎ ১০০ থবক পীবগী স্কিম অসি মায় পাক্তবগী ফিভম অমা লাক্লে। চহী লোইগদবা থা অনীমখায় ফারক্তবা মতমসিদা লেমহৌরিবা থবক শুদবা নুমিৎ মশীংশিং অসি শুহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু লৈতে। মসিদা মাঙজরিবসি মণিপুরগী লাইরবা মীয়াম্নি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## মীয়াম মরক্তা ফিজম শেৎলগা...

*লমায় ১গী মখা*

মরী লৈননা এম এম দব্লিউ ওগী প্রসিদেন্ট অফদুলাহ ফুন্দ্রেময়ুম হায়, সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি অৱাং নোংপোক্তা খুন্দারিবা অপিকপা ইথিনিক ফুরুপ অসিবু মুৎনবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা অরোনবা এজেন্দা অমগী মখাদা চত্থরকখিবনি। মসিগী মায়োক্তা লমদমসিগী মহৈরোই লূপশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা চংশিনবগুম্না এম এম দব্লিউ ওনসু চংশিনবনি।

ঙরাং দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা গভর্নারদা মেমোরেন্দম পিশিনবা চৎপদা পুলিসনা চত্থরকপা এক্সনদা এম এম দব্লিউ ওগী থৌমী কয়া শোকপদগী হোস্পিটাল লায়কন্নখি। অদুবু শোকপা–পনবগী নুংঙাইতবা লৈতে। লমদমসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংবু কঞ্জনবগীদমক এম এম দব্লিউ ওনা হনবা লৈতনা খোংজঙ কয়া চংশিনখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

## লাংদেন থিল্লগা পোষ্টর কেপেইন...

*লমায় ১গী মখা*লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা মীতৈ। মৈতৈশিংবু সেদুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগবনি হায়বা দিমান্দসিদা রেলৱে লাইন থিংবা অমদি বন্দ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোঙজং চংশিনবা হৌরগনি।

মীতৈ/ মৈতৈশিংবু সেদুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনবা হায়বসি ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনসু য়াবা দিমান্দনি। দিমান্দ অসি তৌদুনা মমাংদগী হৌনা খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা লাক্লবসু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা তাবিদনা লৈরি হায়খি।

এস টি দি সিগী জেনরেল সেক্রেটরী কে ভোগেন্দ্রজিৎনা হায়, লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা মীতৈ। মৈতৈশিংগীদমক কনষ্টিট্যুসনগী ওইবা ঙাক্লৌ অমত্তা হৌজিক ফাওবা লৈত্রি। শম্বল খাবিদবা ইঙখোল অমগুম্না লৈরি।

হন্দক্তা লোক সভাদা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ তৌরকপা অসিদা অৱাং–নোংপোক্কী য়েলহৌ ফুরুপশিং মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়দুনা অকনবা ইহৌ হৌনরি। কনষ্টিট্যুসনগী ওইবা ঙাক্লৌ লৈজবা ষ্টেটশিং ফাওবা মখোয়গী য়েলহৌ ফুরুপশিং মুৎখ্রগনি অকিবা ফোংদোক্নরক্লবসিদা ঙাক্লৌ লৈজদবা লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং লাইবক করি ওইগনি। লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং কঞ্জনবগীদমক মীতৈ। মৈতৈশিংবু সেদুল ত্রাইবকী লিষ্ট চলহনবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা অমনি। মরম অদুনা সেদুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহনবগীদমক অকনবা খোংজঙ চঙশিনবা হৌরগনি। মীয়ম্নাসু শরুক য়াবিয়ু হায়না ভোগেন্দ্রজিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়াদা...

*লমায় ১গী মখা* চহী চা কয়া চঙলিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, কুমজা ২০৫০ ফাওবদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং অসি লোইখ্রগনি হায়না অখঙ–অহৈশিংনা পানরি। মসি লোয়দনবা লিক্না শীজিন্নদুনা য়োক্তুনা থম্নবা হোৎনসি। পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মহুৎ শিনবা য়াবা অমা পুথোক্ত্রি ফাওবা মসিবু লোইখিদনবা সোলর,নুংশিৎতগী অমসুং ঈশিংদগী ইনর্জি শীজিন্নবা মফম খুদিংদা হৌনরে। পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং অসি মীওইবগী অথু–অকাই নংবদা কান্নবা পীরগসু ৱাখল তামিন্নগদবনি। ঐখোয়না পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং অসিবু লিক্না শীজিন্নবগী ৱাখল্লোন লাক্লবা কেম্পেইন অসি শীনবনি। মসিনা তুংগী মীরোলদা চাউনা কান্নবা পীগনি।

মালেমদা লৈরিবা চাউখৎলবা লৈবাকশিংদা ইনর্জি কনবগী ৱাখল্লোন্দা সাইকল থৌবগী হৈনবী লৈ। হৌজিক সাইকল থৌবগী হৈনবী লৈদুনা তুংগী হৌরক্কদৌরিবা অঙাংশিংনা তমদুনা ৱাখল্লোন অসি চেল্লবদি লৈপাক্কী ওইনা য়াইফবা ওইগদৌরিবনি। মণিপুরদসু ঙসি–ঙরাংসিদা সাইকল থৌবগী চাং হেনগৎলক্লে। লৈঙাক্লসু গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়াদা সাইকলগী ট্রেক শেমগৎলগনি। সাইকল থৌবনা ঐখোয়গী হকচাং ফবতা নত্তনা ইনর্জি সেভ তৌদুনা লৈবাকসিগী অতৌবা কন্ট্রিব্যুসন পীদুনা মতেং পাঙগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা ষ্টেট লেভেল কোওর্দিনেটর,মণিপুর সিনাম ইবুঙোতোননা হায়, ঙসিদগী ফেব্রুৱারি ১৫ ফাওবা থা অমা চুপ্পা চত্থগদবা ওল ইন্দিয়াগী থাক্তা পাঙথোকপা এৱ্যারনেস কেম্পেইন অসি মণিপুরদসু ঙসি হৌদোকপনি। মসিগী পান্দমদি ঐখোয়না শীজিন্নরিবা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং অসি লোইবা নাইবনিনা চঙদবা য়াদ্রবা খরখক্তমক নত্তনা য়াম্না লিক্না শীজিন্নসি। থা অমা চত্থগদবা এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম অসিদা তোঙান–তোঙানবা ট্রেনিং প্রোগ্রামসু পাঙথোক্কনি হায়খি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মরী লৈননা পি ভাইফৈ,প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী টেক্সটাইল, কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং প্রোফেসার সিনাম রাজেন্দ্র,নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট ভারত ভিকাশ পরিষদনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওসনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহৈরোইশিংগী পেন্টিং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ৱাল্ক রেল্লি অমসু লমথাখি।

## পোক্সোগী কোর্টতা চার্জ সিট...

*লমায় ১গী মখা*ওগষ্ট ২৮,২০১৮গী নুমিদাংদা গার্লস হোষ্টেল অমদা লৈবী নুপীমচা অমবু নমজা–নমথেক্লদুনা ইজ্জৎ মাঙহনখিবগী মরালদা চার্জ সিট থাগৎখিবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মথঙগী নুমিত্তা নুপী মচা অদুগী মমা মপানা কমপ্লেইন তৌবদগী পুলিসনা মহাকপু ফাখিবনি।

পনবা য়াবদি, নুপী মচা অদুনা লাউরকপদগী অবুজম তোম্বীসনা চেনখ্রগা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনদা সরেন্দর তৌখিবনি। শাওরবা মীয়াম্না বোর্ডিং হাউস অদুসু থুগায়খিবনি। শমুরৌগী মীয়াম্না ওগষ্ট ২৯দা পব্লিক মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা ওঝা অদুবু শিবগী চৈরাক পীনবা দাবী তৌখিবনি। নুমিৎ অদুমক্তদা স্কুল অদুগী মহৈরোইশিংনসু ঈরাং হৌরকখিবনি। তুংদা মরাল লৈরবা ওঝা অদু অহকপা চৈরক পীরগনি হায়বগী থাজবা পীরবা মতুংদা ঈরাং অদু নেমথখিবনি।

অনীশুবা চার্জ সিট অমনা লুকের মনিং লৈকাইদগী অঙোমজাম্নম বিশোরজিৎ সিংহগী মথক্তা মহাক্না চহী ১৪গী নুপীমচা অমবু মমানা লৌবুক্তা থবক শুবা চংশ্রিঙৈদা ইজ্জৎ মাঙহনখিবগীদমক থাগৎখিবনি।

নুপী মচা অদুগী মমাদা ওগষ্ট ২৮গী নুমিদাংৱাই পুং ৪.৩০ অদুৱাইদা মহাক্কী মচানুপীবু নুপা অদুনা ইজ্জৎ মাঙহল্লে হায়না ৱাকৎলকপদগী নুপা অদুবু ফাখিবনি। চার্জ সিট অনীমক ইম্ফাল ৱেষ্টকী স্পিসিয়েল জজ (পোক্সো)দা ঙসি থাগৎখিবনি।

# চীফ মিনিষ্টরনা চান্দেলগী নুপী কৈথেল য়াওনা প্রোজেক্ট মরি শঙ্গাখ্রে, অহুমনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ ঃ চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী জাফৌদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী নুপী কৈথেল, ড্রিঙ্কিং ৱাতর রিভাইভেল স্কিম, মহা য়ুনিয়ন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বোইজ হোষ্টেল অমদি লারোং হায়স্কুলগী বোইজ হোষ্টেল শঙ্গাখ্রে লোয়ননা চান্দেল অমদি চকপিকারোংগী ডোক্তর অমদি ওজাশিংগী ট্রান্সিট এক্কম্মোদেসন অনী অমদি অপগ্রেটেসন ওফ কষ্টুরলা গান্ধী বালিকা ভিদ্যাবু শেমগৎ–শাগৎনবা উরেপ–উয়ুংসু তমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, মতম অমদা চীংগী লমদা লৈঙাক্কী চাউখৎ–থৌরাং অমা পায়খৎপা মতমদা চীংগী মীয়ামগী মতেং য়াওদবনা মরম ওইরগা থবকশিং খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্নমদবা অদু হৌজিক বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকপদগী চীংগী মীয়ামগা লৈঙাক্কা মরী ফগত্তুনা থবক খুদিংমক খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্লে। মসি লৈঙাক অসিনা চীংমীশিংগীদমক তৌরিবা থবকশিং অসিনা ওইরকপগী অনৌবা লৈঙাক অসিনা ঙসিদি মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদা হকথেংননা য়ৌশিন্নবা হৌদোকখবা গো টু ভিল্লেজ মিসসন, গো টু হিলগী মিসসনসু অসুক্কী মতীক মায় পাকপা ঙম্লে। মখা তানা হৌজিক্তি গো টু স্কুলগী মিসসনদা মায় ওনশিন্দুনা কেন্দ্র ৬০গী মোদেল স্কুল ৬০ নৌনা শেমগৎহল্লগনি হায়খি। লোয়ননা লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পোষ্টিং তারিবা ডোক্তর অমদি ওজাশিংগী লৈফম কয়া শেমগৎপা অসিনা চীংদা পোষ্টিং চৎনিংদবগী লৈরম্বা ৱাখল্লোন অদু কোকহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱার্ক মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা মখা তানা হায়খিবদা, লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা তোঙান তোঙানবা লম্বী ৩৩ অমদি থোং ৪ মপূং ফানা শেমগৎ–শাগৎলগনি। চহী অসিগী মার্চ থা ফাওবদনা মৈ থান্দ্রিবা খুলশিংসু মৈ ফংহল্লগনি লোয়ননা চকপিকারোংগী থোং অসিসু থেংলবদা এপ্রিল থা ফাওবদা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্নরগনি।

মখা তানা থৌরম অসিগা মরী লৈননা চান্দেল এ সি গী মহুৎসু ওইরিবা ৱাতর রিছোর্স মিনিষ্টর লানপাও হাওকিপনা হায়, লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী চহী খুদিংগী ইকংগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি কোক্নবা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্নবা থৌরাং অমসু পায়খৎলে হায়খি। মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা কোংগ্রেস পার্টিনা হন্দক্কী লৈঙাক অসি চিন খক্তগী লৈঙাক্লি হায়রি। চহী অনী ফাদ্রিবা লৈঙাক অসিনা তৌরিবা থবকশিং অসিদা কল্লকপগী ঙাংহৌরগে–চৈহৌরগে হায়েবগী ৱাখল অদু থাদোকপীয়ু। মদুগী মহুৎ মখোয়না করি মরমগীদমক চীং অমসুং তমদা মায় পাক্লা থবকশিং তৌরমদবনো হায়বদু থিদোকপীয়ু হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, সি এ এফ অমদি পি দি মিনিষ্টর কে শ্যাম, তামেংলোং এ সি গী এম এল এ, চীফ সেক্রেটরী, দি জি পি অমদি চান্দেল এ দি সি গী দি সি, এস পি না শরুক য়াখি। লোয়ননা এ দি সি চান্দেলগী মেম্বর অমদি সি এস ও কয়াগী লীদরশিংসু শরুক য়াখি। থৌরমগী মনুং চন্না চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা কাঙলূপ কয়াগী কলচরেল প্রোগ্রামশিংসু উৎখি।

## এম এস পি দি সি এলনা লূপ্তা শেংদোরক্কদবনি ঃ মাওইষ্ট

ঙরাংগী মখা...

গভর্ণমেন্ট এজেন্সি নত্রগা মেদিয়া হাউসনা মতম চানা থিগৎলগা পুথোকপা নত্তনা লানহৌবনা নত্রগা সি এস ও অমনা হেক্তা পুথোকপগী অরাইবা ৱাফম ওইদে। অদুবু পুথোকফম থোকপা এজেন্সী ময়াম অসিনা পুথোক্লক্কনি হায়বসি থোইনা থাজনিঙাই ওইদ্রে। মেদিয়া হাউসকী ওইনাসু মতিক চাবা টেক্নোলোজি লৈতবা, পাউমিশিংগী খুৎশুমল অমদি লৈরিবা ফিভম অসিদা হোৎহনিংবা কয়া য়াওরগসু খুদোংচাদবা ময়াম অমা মাইয়োক্লরি। মরম অদুনা শেঞ্জা–থুমজা হায়বসি মণিপুরদা খুনাইগী চৎনা কাংলোনগী মনুং চনশিল্লক্লি। মীয়ামগী মিৎতা পোলিটিসিয়ান ওইরগদি শেল চাবা য়াই নত্রগা শেল চাদবা লৈবাক্কী অঙম অথৌ য়াওরল্লোই হায়বসি খ্বাই খুদিংমক্লা খল্লি। শেঞ্জা–থুমজা থিগৎলিবনি হায়রিবা লানহৌবা ময়ামসু অদুম শেল খরা পীরগদি অরোইবদা য়াশিন্নখি হায়বা ৱাফম মীয়াম্না অদুম খল্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক সেক্যুরিটি ফোর্সনা খুরক হাঙদনা লৈরবা মতমসিদা সেক্যুরিটিনা হাকথেংননা ঙাক্লিবা শেঞ্জাবা–শেঞ্জাবীশিং অদু চৈরাক পীবা হায়বসিসু অরাইবা ওইরক্তে। মরম অদুনা ঐখোয়নাসু মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক পীনবা হোৎনবদা অরুবা ওইরক্লি। ময়ুমদা বোম লংশিল্লম্বা,মদুসু মরাইবক থিরগনা অশোক–অপন, অকায়–অতোই থোকপা হায়বদি মরাইবক ইরাইবক য়েংনবদা তাই। অদুম ওইনমক কোর্টনা সেক্যুরিটি এমাউন্ট অমা লৌরগা ৱায়েল চত্থরিবা মীওই অমবু বেল পীবা হায়বসি কোর্ট অদুনা শেঞ্জা –থুমজা চত্থবা নত্তে, মসি কাংলোননি।

পীরিবা কাংলোন অদুগী মনুংদা কোর্টনা সেক্যুরিটি এমাউন্ট অদু লেপ্লগা ফাজিনদনা ৱায়েল চত্থবগী অয়াবা পীবনি। ঙসিগী লৈরিবা ফিভম অসিদা লানহৌলুপ অমনা মরাল লৈবা মীওই অমা ৱায়েলনবা হোৎনবদা কয়ামুক য়াম্না লুনা থোক্লমগদগে হায়বসি মীয়াম্নসু খঙবীবা ঙম্লমগনি। মণিপুরগী অপুন্বা য়েলহৌমী মশিং অসি লাক্ষ ১৮নি হায়না খল্লগদি মণিপুরবু কোইশিন্দুনা থন্লিবা সেক্যুরিটি ফোর্স মশিং অসি চাওরক্লা লাক্ষ ১দগী তাদবা মশিংনি। মশিং অসি পাথোক্লরগদি অফবা মখলগী নোংমৈ পায়বা সেক্যুরিটি পার্সোনেল অমমমগী খোঙলুপ বুটকী মখাদা য়েলহৌমী ১৮ / ১৮ লৈ অদুগা নোংমৈ মরুনা তরুক–তরুক্কী চাংদা থুংনৈ। ইম্ফাল মায়েল অসিদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদি খুরক হাঙদনা লৈ অদুগা শেঞ্জা থুমজা চত্থরিবা অঙম –অথৌনা লৈরিবসিসু ইম্ফাল মায়োল লম অসিদা য়োমশিলগা লৈবনি হায়নসু পল্লক্লি।

ময়াম অসিগী মরক্তা চৎলগা শেঞ্জা–থুমজা চত্থবা অমগী ময়ুমদা বোম্ব লাংশিল্লগা পোত্থাইহল্লিবা নত্রগা থম্নমলিবা অসি তরাইবদি নত্তে। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী কোর্টনা বেল পীবা সেক্যুরিটি এমাউন্ট অদুদগীদি লালহৌবনা লৌরিবা ৱাকোংশেল অসিনা য়াম্না হেল্লমগনি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না ৱাখল তাই হায়নসু মখা তারি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মাওইষ্ট কৈদৌনুংদা ওইদবা ঙাংলোই। চিননা অমা,থবক্লা অমা তৌগদবা লুপ অদু নত্তে। চিনদনা ঐখোয় লালহৌবনি ইন্দিয়ান ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতা য়াওদে হায়রগা নারোনদা এম এল এ ময়ামগী হঙলাই ওইগদবা লুপতু ঐখোয়দি নত্তে।

লালহৌবগী শেন্মীৎলোন রিভোলুসনরি টেক্স মরম চানা শেমগৎপা কাংলুপ অমনি। ঙসি ফাওবদা লাইরবা লৌমী–শিন্মী অমদি মশাগী খুৎশুমলনা হিংজরিবা মীওই অমত্তদগী শেনখাই চত্থবা লৈতে অমদি মখোয়গী চাকথুংসু মুন্দে। তোইগুমসু মীয়ামগী লন হুরানবা, শেঞ্জা–থুমজা চত্থবা হুরানবা ময়ামদগীদি লেম্না থাদবা লূপনি হায়রি।

## গান–ঙাই ২০১৯গী করটেন রেজর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ পুন্সিদা ঐখোয়না ফংখিবা মায়পাকশিংদা নত্তনা নাৎকি হৌরকফম অমসুং নাৎকি ওইবা চৎন–লোনচৎশিং নীংশিংগদবনি হায়না গভর্ণর ডা. নজমা হেপটুল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ষ্টেট লেভেল গান–ঙাই সেলেব্রেসন কম্মিটিনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৯দা চীংমৈরোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা গান–ঙাই কুম্মৈগী মাঙওইননা রাজ ভাবনদা পাঙথোকখবা কর্টেন রেজস থৌরমদা ফোঙদোকখবনি। করটেন রেজর থৌরমদু ষ্টেট লেভেল গান–ঙাই সেলেব্রেসন কম্মিটিনা টিঙকাউ রাগ্বাঙ চাপ্রিয়াক ফুআম (টি আর সি পি)গা খুৎশম্নদুনা অহানবা ওইনা পাঙথোকপনি। গান–ঙাই অসি জেলিয়াঙরোঙ কম্যুনিটিগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈনি। গান–ঙাইগী ৱাহন্থোকতি ‘গান’না নিংথমথা অমসুং ‘ঙাই’না কুম্মৈ হায়বনি।

থৌরমদুদা গভর্ণরনা মহাক্কি ৱারোলদা হায়, গান ঙাই কুম্মৈ অসি রাজ ভাভনদগী হৌদকপসি নুঙাই অমদি মখা তানা চহী খুদিংগী রাজ ভাবনগী হৌদোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। কুম্মৈ অসিনা ষ্টেট অসিদা মহৈ মরোং নিংথিনা লোকপা, য়াইফ–নুঙাইবা অমসুং চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু।

ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুনা মণিপুরদা কুমজা ১৯৫২দা লাকি–খবদুদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং নৌহৌননা নিংশিংদুনা তোঙান–তোঙানবা মখলগী নাৎ মণিপুরদা লৈরিবা অসিগুম্বা মফম অমত্তদা লৈতে। ত্রাইব অমসুং সব–ত্রাইবশিংগী ওইবা মখল মখা কয়াগী ওইবা নাৎকি ওইবা থৌরমশিং লৈ। মরু মরাং হুনবা অমসুং লৌরোক মতমদা মিৎয়েং থমদুনা তোঙান–তোঙানবা কম্মৈশিং পাঙথোক্লি। মখল মখা কয়াগী নাৎকি ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকপনা লৈবাকসিদা তোপ–তোপ্পা ষ্টেট ওইবনা লমদমসিদা খুন্দারিবা কম্যুনিটিশিংনা মখোয়গী নাৎকি ওইবা থৌরমশিং লেপতনা পাঙথোক্লবসু আপিল তৌখি।

থৌরমদুদা ষ্টেট লেভেল গান–ঙাই সেলেব্রেসন অমসুং টি আর সি পি (আসাম–মণিপুর–নাগালেন্দ)গী এদভাইজর চাউবা কামসোন অমসুং টি আর সি পি য়ুঠকি থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

## শিন্থা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ হন্দক্তা লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ মণিপুর চৎনহনবা য়ারোই, অথুবা মতমদা হন্দোকউ হায়দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা লম্লোং কৈথেলগী কৈথেল ফম্বীশিংনা নোংমগী শিন্থা লেপ্লগা ৱাকৎ মীফমগী খোংজঙ চংশিনখ্রে।

ৱাকৎ মীফমগী খোংজঙ অদু লম্লোং কৈথেল ফম্বী অপুনবা নুপী লূপ অমদি লম্লোং কৈথেল মৈরা পায়বগী ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা ঙসি নোংমগী শিন্থা লেপ্তুনা ঙসি অয়ুক্তগী হৌদুনা লম্লোং কৈথেলদা চংশিনখি।

ৱাকৎ মীফমগী খোংজঙদুগা মরী লৈননা লম্লোং কৈথেল মৈরা পায়বী ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি নোংথোম্বম ইবোতোম্বীনা হায়, সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ পাস তৌখিবা অসি য়ানিংদে। অথুবা মতমদা হন্দোকপিয়ু। করিগুম্বা হন্দোক্তুবদি মহৈরোই লূপ অমদি মীয়াম্না চংশিল্লকপা খোংজঙশিংদা শৌগত্তুনা খোংজঙ চংশিনগনি। মদুদা থোক্লকপা অফ–ফত্তগী দায়ত্যা লৈঙাকনা পুগদবনি।

বিল অসিগী মায়োক্তা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট খরগী পোলিটিকেল লিদরশিংনা লৌখিবা ফিরে অদগুম্বা মণিপুরগী পোলিটিকেল লিদরশিংনসু লৌবিরো। ফম কোন্দুনা লৈবিরগনু। লমদমসিগী তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা মীয়ামগী অপান্বা অদু থবক ওইনা পাঙথোকপিরো হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## ইরোই মপু অমুক ফাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ১৬ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ জ্যুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটনা ঙসি বেলদা থাদোক–খ্রবা ইরোই মপু সিটি পুলিস ষ্টেসন্না কোর্টতগী অমুক ফাজিনখ্রে।

হত্তা গোলাপতি মনিং লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা হজি মুহাজনগী মচানুপা মহম্মদ মুফিজুদ্দিন (৫৩)বু হৌখিবা জনুৱারী ১৩দা মহাক্কী ইরোইনা হাত্তা অমদি ইম্ফাল সিটি মনুংদা মীওই কয়াবু অশোক–অপন নংহনখিবা অমদি গাড়ী খরসু মাঙ–তাকহনখিবগীদমক্তা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্না ফাজিনখবনি।মহাকপু নুমিৎ হুম্নিগী পুলিস কষ্টদিদা থম্বগী মতম লোইরদুনা ঙসি মহাকপু ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ জ্যুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্লুবা মতুংদা লুপা ৫০,০০০গী পি আর বোন্দদা বেল পীখিবনি। অদুবু মহাকপু হেক থাদোক্লবা মতুংদা ইম্ফাল সিটি পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা কোর্ট কমপ্লেক্সতগী মী অশোক–অপন নংহনবা অমদি পব্লিক পোপরটি মাঙহনবগী মরালদা চপ মান্নবা এফ আই আরদা ফাখিবনি।

## মণিপুর হায় কোর্টনা এস আই টিগী রিপোর্ট খঙহন্নবা হায়খ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ মণিপুরী নহা অহুম কুমজা ২০১০দা হাৎখিবগা মরি লৈননা স্পেসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না থিজিনখিবগী ষ্টেটস রিপোর্ট খঙহন্নবা মণিপুর হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে।

কেস অসিগা মরি লৈননা থা অসিগী ১৬তা চত্থগদবা হিয়ারিংদা রেস্পোনদেন্টশিংনা রিপোর্ট অদু পীখৎলক্লবসু কোর্ট অসিনা খঙহল্লি।

মমাঙ চহীগী জুলাইদা লিফটনেন্ট কোলোনেল ধরমভির সিংহনা কাউন্টর ইন্টিলিজেন্স সরভিলেন্স য়ুনিট (সি আই এস য়ু), রঙ্গপহারগী পর্সোনেলশিংগী মমিং পনবা এফিদভিট অমা কোর্টতা পীশিন্দুনা সি আই এস য়ুগী পর্সোনেলশিংনা হিজম নাউবী, আর কে রোনেল অমসুং থৌনাউজম প্রেম ফাদুনা পুখ্রগা কুমজা ২০১০গী মার্চ ১০ মীহাৎ চত্থখি হায়বগী ৱাফম পুখৎলকখিবনি। মীহাৎ অদুগা মরি লৈননা সি আই এস য়ুগী মেজর টি রবি কিরনসু মকোক থোঙবা ওসিসারশিংদা পুখৎলকখি। থৌদোক অদুগা মরি লৈননা গুৱাহাটি হায় কোর্টগী য়াথংদগী নাগালেন্দ পুলিসনা হীরম অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেমখি।

পনবা য়াই, মণিপরী নহা অহুম হাৎখিবা অদুগা মরি লৈননা পীখৎখিবা রিপোর্টকি ‘সম্মরি ওফ ইভিদেন্স’ শিংনদুনা লেফটনেন্ট কোলোনেল ধরমভির সিংহনা মমাঙ চহীগী নভেম্বর ৫দা পিটিসন অমা থাখিবনি।

## সেন্টেন্স হিয়ারিং য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ১৬ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা ডিসেম্বর ৯,২০১২দা লাঙ্গোল হাউসিং কমপ্লেক্সতগী য়োন্নবা নার্কোটিক দ্রগ কানি পুদুনা চৎলম্বগী মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা লাউথোকখ্রবা নুপী অমগী করি চৈরাক পীগদগে হায়বগী সেন্টেন্স হিয়ারিং মহাক্কী কাউন্সেলনা হায়জরকপদগী জনুৱারী ১৭ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

য়াইঙংপোকপীদগী হৌজিক্লা লাঙ্গোল হাউসিং কমপ্লেক্স টাইপ থ্রিদা লৈবা হেলেন মাতেগী নুপী নেংবোই মাতেগী পার্ট সেন্টেন্স হিয়ারিং হৌরবা মতুংদা মহাক্কী কাউনসেলনা হিয়ারিং অদু য়ৈথোকপীনবা হায়জরকপা মতুং ইন্না সেন্টেন্স হিয়ারিং অদু য়ৈথোক্তুনা ইরাই নুমিৎতা লেপখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট নার্কোটিক সেলনা ডিসেম্বর ৯,২০১২দা ফাখিবা নেংবোই মাতেবু জনুৱারী ১১দা কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবনি।

থা তরুক জ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরম্লবা মতুংদা বেলদা লৈরকখিবী মাতেবু এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ১৮(বি)গী মখাদা কেস চত্থরক্লবা মতুংদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোক্লবা মতুংদা অমুক ফাজিন্দুনা জ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্লক্লিবনি।

## মোংশাঙ্গৈদা সেন্টেনিয়েল রাইচ বেগ চেল্লেঞ্জ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ ঃ লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল অমসুং লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল ভেল্লি অনীনা পুন্না শীন্দুনা লাইওন্স ক্লবকী ফাউন্দর মেলভিন জোনসকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা বি পি মেন্টেল্লিং হেন্দিকেপ স্কুলদা ঙসি লাইওন রাইচ বেগ চেল্লেঞ্জ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্কুল অসিদা ক্লব ২ না চেঙ কেজি ১০৫০, হৱাই, অচাথাও, মনামশিং, অচাপোৎনচিংবা য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা লাইওন ডা. আর কে লাকস্না, প্রসিদেন্ট লাইওন ক্লব ওফ ইম্ফাল, লাইওন ডা. এন রোমি, প্রসিদেন্ট লাইওনস ক্লবকী ইম্ফাল ভেল্লি, এম জে এফ লাইওন ঐচ মনিকুমার, পাষ্ট দিষ্ট্রিক্ট গোভর্ণর, সিঐচ প্রমোদিনি, প্রসিদেন্ট মেন্টেল্লি হেন্দিকেপ হোম অমসুং ক্লব ২ গী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা লাইওন ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট লাইওন ডা. আর কে লাকস্নানা রাইচ বেগ চেল্লেঞ্জ অসি লাইওন ক্লব ইন্টরনেস্নেলগী প্রোগ্রাম ৫ গী মনুং চল্লিবা ‘রিলিভিং দ হঙ্গর’ হায়বা প্রোজেক্ট অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লাইওন ক্লবশিংদা হায়রিবা রাইচ বেগ চেল্লেঞ্জ অসি পাঙথোক্লি হায়খি।